ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখিবা অইবা গোবিন পানসারে হাৎখিবা য়ানিংদবা ফোঙবগী মীফম


লামায় ৪

থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী খাঙবোক্তা লৈবা কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) থৌবালগী ১৫রকশুবা সাইন্টিফিক এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম কয়া খন্নখিবা


লামায় ৪

অর্বান প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর (য়ু পি এচ সী) ক্বাকৈথেলগা হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকাইগী অঙ্গনৱাদি সেন্টরগা খূৎশিন্নদুনা পাঙথোকখিবা অর্বান হেল্থ এন্দ ন্যুট্রিসন দেগী থৌরম


লামায় ৪

নিংথৌখোংগী অৱাং পুখ্রি অচৌবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জনগা বিষ্ণুপুর এ সীগী মীয়ামগা উনবগী 'মীট অৱর এম পি' হায়বা থৌরম


লামায় ৪

Vol. 43, Issue No.321 | ইরাই, ফাইরেনগী ২৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, February 21, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## আই-এমগী কাদরশিংগা এ আরগা উংখৎনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০(ঐচ এন এস): সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা ঙসি এন এস সী এন-আই এমগী কাদরশিংগা ৩৪শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংগা উংখৎনখ্রে হায়রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা ৩৪শুবা এ আরগী কেপ্টেন অমনা লুচিংবা টিম অমনা এন এস সী এন-আই এমগী কাদর অমগা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা অৱায়-অখুম তৌনরকপদগী খূৎ য়াওনরক্তুনা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা থোকখিবনি। মদুদগী এন এস সী এন-আই এমশিংনা অসাম রাইফলসকী এ কে রাইফল অমা পুরগা মফম অদুদগী চৎখিবনি। তুংদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা উংখৎনবা ফীভম অদু লাকশিনখিবগা লোয়ননা আই-এমগী কাদরশিংনা পুখিবা এ কে রাইফল অদু অসাম রাইফলসতা অমুক খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## পুলিস কষ্টদি রিমান্দ মখা তানা লৌথখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০(ঐচ এন এস): থা অসিগী ১৪গী নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তারকপদা তাকয়েল খোংবাল লৈরক অচৌবদা লৈবা অয়েকপম চিংলেনসনা (২৭), অপোকপা এ জানেশোরগী লোয়নবী চোংথাম নিঙোল মেরিনানা মপুরোইবগী কাদা থৌরী য়াল্লগা শিরম্বা থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা লৈখিদ্রবীগী মপুরোইবা অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা মখা তানা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টনা থা অসিগী ২৪ ফাওবা নুমীৎ ৫নিগী ফর্দর পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবদা য়াওখিবা লৈখিদ্রবীগী মপুরোইবগা পোকমিন্নবা মনাওনুপা অদুগী মমিংনা অয়েকপম চিংথমখোং এলিয়স নাওচা (২১) কৌই।

মখা লামায় ৩ কলম ২

## HL Poll

Q: Class XI examgi question leak oihanbada chennabasing houjik faoba puthokpa ngamdaba asi officialsinggi ashonbani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Class XI examgi pangthokkadaba subject kharagi question leak oirakle hairibasi oja kharana pukchel sengdabadagini khanbra?

Yes 92% No 08%

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩০.৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ৬.২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- অঙাংশা, অনফেয়র মিন্স শীজিন্নবা য়ারোই, মসি পরিক্ষানি...!




- হোয়, শীজিন্নরোই সার, মসিদি মীখলগুম্বা নত্তে...!

# টি এ এন্দ হিলসকী লুপা ক্রোর ২৯ লোম মাঙবগী ৱাথোক হাউস কম্মিটিনা থিজিন্নবা লেপ্পখ্রে







ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস (টি এ এন্দ হিলস)কী লুপা ক্রোর ২৯.২১ রোম মাঙই হায়বগী ৱাথোক এসেম্বলীগী হাউস কম্মিটিনা থিজিন্নবা লেপ্পখ্রে।

ঙসি এসেমব্লী মীফমদা ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসকী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা কট মোসন থাঙ্গৎলদুনা দিপার্টমেন্ট অসিদা শেল লান্না লৌথোকপদা চেন্নবশিংগী মথক্তা থিজিন্নবগীদমক হাউস কম্মিটি শেম্নবা ৱাফম পুখৎলকখি। হীরম অসিগী মতাংদা হাউসনা খন্নরবা তুংদা হাউস কম্মিটিনা থিজিন্নবা লেপ্পখি। ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস দিভলপমেন্টকী দিমান্দ খন্নরকপদা এম এল এ কয়ানা ফোঙদোক্লখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস দিভলপমেন্টতা কুমজা ২০০১-০২ দগী কুমজা ২০১৯ ফাওবদা দিপার্টমেন্ট অসিদা লুপা ক্রোর ২৯.২১ রোম মাঙই হায়বগী ৱাথোক অমা লৈরি। মসিদা চেন্নরিবা অসি দি দি ও ৫ রোমনি। খরা অমদি রিটায়ার্দ তৌবা লৈখ্রে। কেসিয়র ওইবা মীওইসু মশা নাদুনা লৈবা মরম্না ৱা হংবদা খুদোংচাদবা কয়া অমসু লৈরি। হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর ২.১৫ রোম রিকোভর তৌখ্রে। হীরমসিগী মতাংদা থিজিন্নবা হাউস কম্মিটি শেম্বদা অকায়বা লৈতে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এম এল এশিংনা ফোঙদোক্লখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর কায়িসিনা হায়খি, চীংগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙলি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা বিনিফিসরিশিংদা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না পীরি। মতম-মতমগী ওইনা দিপার্টমেন্টনা নোটিফিকেসন থোক্তুনা কাঙলোন চুম্না বিনিফিসরিশিংগী এপ্লিকেসন কৌবগা লোয়ননা থাগৎলকপশিং স্ক্রিনিং তৌরগা খুদোংচাবশিং ফংহনবনি। দি বি টিগী খুত্থাংদা বিনিফিসরিশিংদা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। হাউসিং, এনিমেল হজবেন্দ্রি, স্মোল ইন্দষ্ট্রিনচিংবা কয়াগী স্কিমশিং লৈ। ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলস দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টতা ওফিসল খরনা শেল লান্না লৌথোকখি হায়বগী মতাংদা থিগৎপগী থবক চথুরি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## চান্দেলদা মেদিকেল কোলেজ লিংখৎনবা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙখি, লমগী সেট্টলমেন্ট তৌদ্রি : সী এম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): চান্দেলদা মেদিকেল কোলেজ অমা লিংখৎনবগী মতাংদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবা লৈখি। হৌজিক লমগী সেট্টলমেন্ট তৌদ্রি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, লৈবাক অসিগী ওইনা মেদিকেল কোলেজ ৭৫ রোম পায়খৎনবা সেন্টরনা থৌরাং পায়খৎলকপগী মনুং চন্না মণিপুরগী ওইনসু কোলেজ খরা য়াওহৌনবা খঙহল্লকখি। মতম অদুদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চূড়াচান্দপুর, থৌবাল অমদি চান্দেলদা কোলেজ লিংখৎনবা মীৎয়েং চঙবনি। ক্রাইটরিয়াগী মতুংইন্না ফমুং ২০০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মেদিকেল কোলেজ অপগ্রেদ তৌনবগী ৱাফম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# 'অৱাং-নোংপোক্তা লালহৌবগী ঈরাং লোইশিন্নবা অকনবা মীৎয়েং চঙলি'

ইটানগর, ফেব্রুৱারী ২০(এজেন্সী): অৱাং-নোংপোক্তা লৈরিবা লালহৌবগী ঈরাং, ট্রাইবেলগী ইস্যুশিং অমদি ষ্টেট অমগা ষ্টেট অমগগী মরক্তা ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈরিবশিং য়াওনা থৌদোক-ৱাথোক খূদিংমক তুং কোয়না লোইশিন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা অকনবা মীৎয়েং চঙলি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফোঙদোকখ্রে।



ইটানগরদা ঙসি পাঙথোকখিবা অরুনাচল প্রদেশনা মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইখিবগী ৩৪শুবা থৌরমদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা হায়খি, সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা অৱাং-নোংপোক্তা ঈং-তপ্পা পুরক্লব-গীদমক তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপশিংগা য়াশিন্নবা পুরক্লবগী থবক পায়খৎপা হৌরে। ব্রু-রিয়াংগী ইস্যু লোইশিনবতা নৎতনা মণিপুরদগী ইন্দিফিনিট ব্লোকেদ লোইশিনহনখ্রবা তুংদা হন্দক্তা বোরো পিছ একোর্দ খূৎয়েক পীনখ্রে। কুমজা ২০২৪দা ভোট খোস্না লাকপদদি নোর্থ ইষ্টতা লালহৌবগী ঈরাং অমদি ষ্টেট অমগা ষ্টেট অমগগী মরক্তা য়ানদবা, মুক্লবা অমত্তা লৈররোই। ৱাথোক লৈতবা মফম অমা ওইরগনি। নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর হেক ওইরকপদগী অৱাং-নোংপোক লমদম চাউখৎহন্ননবা মরুওইবা থবক কয়া পায়খৎলে। লৈবাক অসিনা নীংতম্লবা ফংলবা মতুংদা অহানবা ওইনা থাখায় খূদিংগী অৱাং-নোংপোক লমদমগী ষ্টেট খূদিংমক্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমমম্ চৎহন্দুনা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংশিনহল্লি। অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ ৩০ য়াওনা লমদম অসিদা হৌখিবা চহী ৫দা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী খোঙচৎ ২০০ হেনখ্রে। অৱাং-নোংপোক লমদমবু চাউখৎহন্ননবা হোৎনবা অমদি ঙমখৈ ঙাকপা হায়বসিসু লৈঙাক অসিগী মরুওইবা থৌদাং ওইরি। হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফমশিংগা অৱাং-নোংপোক অসি থম্মোয়গী ওইবা মরী অমা শেমগৎলে। লমদম অসিগী ফজরবা কলচর অমসুং হেরিটেজ য়াওদনা ইন্দিয়া মপূং ফারোই। মফম অসিদা লৈরিবা তোপ-তোপ্পা কলচর অসিবু লৈঙাক অসিনা মতম পূম্বদা ঙাক্তুনা থমগনি।

মহাক্না হায়খি, অৱাং-নোংপোক লমদমদগী আর্টিকল ৩৭১ লৌথোকপগী ৱাফম লৈতে। কনাগুম্বা খরনা আর্টিকল ৩৭১ রিপিল তৌগদৌরে হায়রিবা ৱাফম অসি অরানবা ৱাফমনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অরুনাচল প্রদেশতা পায়খৎকদবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়াসু উরেপ উয়ুং তমখি। থৌরম অদুদা অরুনাচল প্রদেশকী গভর্ণর রিটায়র্দ ব্রিগেদিয়র বি দি মিশ্রা, দোনরগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্র, য়ুনিয়ন য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুসু শরুক য়াখি।

# ক্লাস ইলেবেন এগজামগী ক্বেসন লিক ওইবগী মতাংদা মরাল লৈবশিং এক্সন লৌগনি : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস ইলেবেন এগজামগী ক্বেসন লিক ওইবগী মতাংদা চপ চানা থিজিনগনি। মরাল লৈবশিং এক্সন লৌগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ঙসি এসেম্বলী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এসেম্বলী মীফমদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা কোল্লিং এটেন্সন মোসন পুখৎলদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, ক্লাস ইলেবেন অমসুং টুয়েল্ব এগজামগী ক্বেসন

> ## ৱাহং চে লিক ওইখিবগী মতাংদা থিগৎনবা ইনক্বাইরি কম্মিটি শেমখ্রে
>
> ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০(ঐচ এন এস): কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা ক্লাস ইলেবেনগী এগজামদা ৱাহং চে লিক ওইখিবগী মতাংদা থিগৎনবা ইক্বাইরি কম্মিটি শেমখ্রে।
>
> মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (এদ্যুকেসন-এস) টি রঞ্জিৎনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না এদ্যুকেসন দিরেক্টর (স্কুল) টি ঐচ কিরনকুমারনা কম্মিটিগী চেয়রমেন ওইবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিগী এদিসনেল দিরেক্টর (ভেলি) সী ঐচ সচিনা মেম্বর অমসুং দেপ্যুটি সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন-এস) অঞ্জলি চোংথাম্না মেম্বর সেক্রেটরি ওইরগনি। মখা লামায় ৩ কলম ২

অসি হান্নদি এগজাম সেন্টরশিংগী মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা থম্লগা এগজাম নুমীৎতা পুথোকপনি। হন্দক চহী অসিদা মীফম পাঙথোকপা মতমদা প্রিন্সিপাল কয়ানসু ক্লাস ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# সিনিয়র এদভোকেট অহন্থেম বিমোলবু মণিপুর হায় কোর্টকী জজ ওইহন্ননবা রেক্কমেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): ঙরাং পাঙথোকখিবা সুপ্রীম কোর্টকী কোলেজিয়মনা মণিপুরগী সিনিয়র এদভোকেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অহন্থেম বিমোলবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ ওইনবগীদমক রেক্কমেন্দ তৌখ্রে।



করিগুম্বা কোলেজিয়মগী রেক্কমেন্দেসন অসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এপ্রুভ তৌরক্লবদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজশিংগী ৱার্কিং ষ্ট্রেঙ্ক অসি জজ ৫গী ফুল সেঙ্কসন ষ্ট্রেঙ্কতা হেনগৎলক্লগনি হায়রি।

সিনিয়র এদভোকেট অহন্থেম বিমোল ইম্ফালগী কৈশামথোং অহন্থেম লৈকায়দগীনি। মশাগী চহী ৫০ শুবদা মহাক কুমজা ২০১৭ তা সিনিয়র এদভোকেটতা দিজিগনেট তৌখিবনি। মখা লামায় ৩ কলম ২

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন
# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

**ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ, উৎলৌ ময়াই লৈকায়**



স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মতাংদা লৈঙাক্না থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু লাইব্রেরিগী ৱাফমদি য়াওদবগুম তৌরি। মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরি এক্ট অসিসু চেদা য়েকপা কৈ ওইনা লৈরি। মহৈশঙশিংদা মতমগা চুনবা লাইব্রেরি অমদি প্রোফেসনেল ষ্টাফ লৈত্রবদি বোর্দ, কাউন্সিল অমদি য়ূ জি সীনা হায়রিবা মহৈশঙশিং অদু থিংজিনগনি হায়রবসু লমদম অসিদা লৈরিবা স্কুল, কোলেজ অয়াম্বদদি লাইব্রেরি লৈবা উদ্রি। মমা-মপা ওইরিবশিংনসু মচা-মশুগী অফবা মহৈতম্ফম খনবদা মতমগা চুনবা লাইব্রেরি লৈত্রা হায়নসু য়েংনদে। লোয়ননা লাইব্রেরিগী মতাংদসু মহৈরোয় খুন্নাইগীদমক লৈরিবা মহৈরোয় লুপশিংনসু হীরম অসিগী মতাংদা পুক্নিং চঙহন্নিংই। প্রাইভেট ট্যুসননা হেন্না লুম্না লৌনরবা খুন্নাইসিগী এদুকেসন সিষ্টমনা তুংদা ওইরক্কদবা খুদোংথিবা কয়াসু খন্থমিন্নবগী মতম ওইরে।

**আর এ মায়নম, তুলিহল ৱার্দ নম্বর-৪, অন্দ্রো এ সী**



লৈঙাক্না লায়রবা মুখৎনবগী পান্দমদা পায়খৎখিবা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা হাংবা ফেয়র প্রাইস শোপশিংগী খূত্থাংদা ইমুং খূদিংগী মীশীংদা পারগা চেঙ ফংহনগনি হায়রবসু ঙসি ফাওবা ফংবা লৈত্রি। মরী লৈনবা ইমপ্লোয়ীশিং অমদি শেঞ্জাও পায়বশিংনসু লায়রবা মীয়ামগী ফংহনফম থোকপা চাকথুং অদু মপূং ফানা ফংহন্দ্রি। নাকল অমরোমদনা লায়রবা মুখৎকনি হায়না লাউরি। ফীভমশিং অসিনা লমদম অসিদগী লায়রবা মতৌ করম্না মুখৎকদৌরিবনো? হৌজিক হৌজিক চেঙ পীরিবা মতৌ অসিদি লায়রবা পুম্নমক শীজখ্রো হায়বগা চপ মান্নরে। লায়রবা মীয়ামগী খন্দুনা লৈঙাক্না অথুবা মতমদা অচুম্বা অশেংবা চাকথুং ফংনবা শীনবিয়ু।

# মার্জিংদা শগোল ২০০ রোম থম্নবা থৌরাং তৌরি : চাওবা



**অসেম বেবিচা**

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী পুৱারী অমসুং নাৎকা নক্লবা মরী লৈনবা মরম্না মার্জিংদা শগোল ২০০ রোম থম্নবা থৌরাং তৌরি হায়না ভেটিরিনরি দিরেক্টর ডা. ঐচ চাওবনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবদা ডা. ঐচ চাওবনা হায়খি, শগোল হায়বসি কলচরগা মরী য়াম্না লৈনৈ। ক্রিটিকেল্লি ইনদেঞ্জর ওইরবা শগোল য়োকখৎতবা য়াদ্রবনি। শগোলগী সেন্সস চহী ৪/৪ লৈরগা তৌই। কুমজা ২০১৮-১৯গী সেন্সসতা পোনি ৯১৮ লৈ। লাবা ৬২৯, অমোম ৪৫৪ নি। পোনিগী মশিং হন্থরক্লি। যন-ইরোই লোইবগুম ইনকম লাক্তবা মরম্না শগোল লোইবগী চাং হন্থরক্লি। শগোলদি লৌ খোইবা য়াবসু নত্তে। শগোলবু নুংশিজবা কয়ানা য়োক্লরি। শগোল কাংজৈ শান্নবগী নেকপদা শেল খরদি ফংই।

মণিপুর লৈঙাক্না মার্জিংদা পোনি কমপ্লেক্স শেমগৎনবা লম একর ২৩ পীরে। ফেন্সিং তৌবা লোইরে। ষ্টেট প্লানদা লুপা ক্রোর ২ হাপ্লে। রুরেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট ফন্দ, নেসনল বেঙ্ক ফোর এগ্রিকলচর এন্দ রুরেল দিভলপমেন্টগী মখাদা ষ্টেট লৈঙাক্কী ফাইনান্সিএল কন্সট্রেন্ট লৈবনা লোন ওইনা লুপা ক্রোর ৭ পীবীয়ু হায়না প্রোজেক্ট শারে। চীফ মিনিষ্টরনসু থৱায় য়াম্না য়াওনা হোৎনরি। মণিপুরদা শগোল লোইবসি ইনাক খুনবনি লৌনৈ। মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনসু লৈ। ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মখাদা থবক কয়াসু পায়খৎলি। লম্বীদা শগোল অমদি শা-যন থাদোকপদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ দেনা লাকপদা
# সনাতোম্বা : পুকচাক্কী লানফমদা মতেং পীবা ঙমদ্রবা লোল চাউখৎনবা ফনা লাউদুনসু চাউখৎপা ৱাগনি

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০(ঐচ এন এস): পুকচাক্কী লানফমদা মতেং পীবা ঙমদ্রবা লোল অদু চাউখৎনবা ফনা লাউদুনসু চাউখৎপা ৱাগনি। চহী কয়াদগী চৎনরল্লিবা ময়েক হেক হোংদোকপা হায়বসি অরাইবা থবক অমদি নত্তে। অদুবু তুংগী মিরোলশিংগীদমক খল্লগা ইশাগী শক্তম, ঈশাগী লোল ঙাক্লবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাংনি হায়না পাউচে অসিনা ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ দেগা মরী লৈননা উনরুবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মণিপুরীগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার নাওরেম সনাতোম্বনা ফোঙদোরক্লি।



হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা মৈতৈ ময়েক্তা ইবা-পাবা তৌরদুনা এম এগী থাক্তা য়ৌরক্লবা ফাওবদা মণিপুরগী লৈজরিবা খোরিলোলশিংবু মৈতৈ ময়েক্তা মপুংফানা ঙসি ফাওবা ওন্থোকপা ঙমদবা হায়বসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। তোঙান-তোঙানবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা বেঙ্গলি ময়েক্তা ইবা লাইরিক কয়া মৈতৈ ময়েক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরিবা থবকশিং য়াম্না শাথিনা তপ্পী হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা লৈঙাক, ষ্টেক হোল্ডরশিং, সোসল ওর্গনাইজেসনশিং অমদি ঐখোয় পুম্নমক্না ...মখা লামায় ৩ কলম ৬



HL-P/6156/15/2-20/3

অদোমগী ৱাহৈ অমনা মণিপুরবু অনৌবা মায়ওন অমদা পুরকপা য়াই

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

য়াওশং অমুক য়ৌরক্কদৌরে, মীখলসু য়ৌরক্লগনি। মমাঙগী মীখলদা শক্লখিবা ৱাশকশিং কাউনখ্রে। শকখিবা ৱাশকশিং কয়া য়াম্না থবক ওইনা পাঙথোকখ্রে অমদি পাঙথোক্কদবা ৱাৎলি খঙবা মীওই য়াওনরবসু করি-করম্বা মরম্না ঐখোয় পুম্নমক্কী মপি-মপা ওইরিবা লুচিংবশিংদা হায়বা ঙমদ্রিবনো হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি। লৈঙাক্না ঐখোয়গীদমক পায়খৎলে হায়রিবা থবক-থৌরমশিং কদাই ফাওবা ঐখোয়না কান্নবা ফংলবগে, কনানা ফংবা ঙমদ্রি অমদি লৈঙাক্তা তৌহন্নিংবশিংনা করিনো হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া মীয়াম্না নুংশিনা পাবীরিবা হুইয়েন লানপাউনা ফোঙনবগী তাঞ্জা লৌজরি।

চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং, স্কুল ফগৎহনশি মিসন, স্মার্ট সিটি, ষ্টার্ট অপ, ষ্টেন্দ অপ, নেসনল স্পোর্টস টেলেন্ট সর্চ স্কিম, প্রধান মন্ত্রি উজ্জৱালা য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি সুকন্যা স্মৃধি য়োজনা, অটল পেন্সন য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি জন ঔশধি য়োজনা, স্বছ ভারত অভিয়ান, অটল মিসন ফোর রিজুবিনেসন এন্দ অর্বান ট্রান্সফোর্মেসন (অমরুট), নেসনল বাল স্বছতা মিসন, ৱান রেঙ্ক ৱান পেন্সন, প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক য়োজনানচিংবা স্কিমশিং মণিপুরদা করম্বা ফিভমদা লৈরি অমদি কদাই ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকখ্রে হায়বনচিংবা অপেন-পেন্দা, তৌহন্নিংবা-পায়খৎহন্নিংবা থবক অমদি এচিভমেন্টশিংগী মতাংদা অদোমগী মরুওইবা ৱাখল্লোনশিং শুপ্পগী ৱাহৈ ১০০ খক হুইয়েন লানপাউগী মখাদা পীরিবা হ্বাটসএপ নম্বর অমদি ই-মেল অসিদা মিং, লৈফম, মোবাইল নম্বর অমদি ফোটোগা লোয়ননা থাবিরকউ। অদোম্না থারকপা মরুওইবা ৱাফমশিং হুইয়েন লানপাউদা নুমীৎ খুদিংগী খনগৎলগা ফোঙজগনি। চাউখৎপা ষ্টেট অমা ওইহন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌরাংশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু।

email id: hueiyen_lanpao@rediffmail.com,
hueiyen_lanpao@yahoo.co.in
Whatsapp No.: 9774803145